# বিজেপিগী এমএলএ য়াওনা মীওই ৫ ছটিসগরগী দান্টেৱারাদা নক্সলগী এটেক অমদা লৈখিদ্রে



দান্টেৱারা, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ

বিজেপিগী এমএলএ ভিমা মন্দাবি অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪ ঙসি ছটিসগরগী দান্টেৱারাদা নক্সলশিংনা চথরকপা এটেক অমদা হাৎখ্রে।

থৌদোক অদু ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজ পাঙথোক্কদবা পুং ৩৬ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা থোকখিবনি। সেন্ট্রল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু দান্টেৱারাগী শ্যামগিরি অমসুং ক্কাকোন্তা অনীগী লোন্নবদা থোকখিবনি।

এটেক অদু নক্সলশিংনা আইইদি (ইম্প্রোভাইজ এক্সপ্লোসিভ দিভাইজ) শীজিন্নদুনা পোকখায়হনখিবনি। মাংজৌননা ফুমদুনা থমখিবা আইইদি অদু বিজেপিগী এমএলএ ভিমা মন্দাবি অমসুং মহাক্কী কনভোই অদুনা লাকপগী লম্বেলদা পোকখায়হনখি হায়রি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা বিজেপিগী এমএলএ ভিমা মন্দাবি, মহাক্কী ড্রাইভর অমসুং পার্সনল সিক্যুরিটি ওফিসর অহুমসু শীখি। ছটিদগরগী চীফ মিনিষ্টর ভুপেস গাগেলনা ঙসিগী তোঙান-তোঙানবা প্রোগ্রামশিং কেন্সেল তৌরবা মতুং মহাক্কী ময়ুমদা থৌদোক অদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা হনখি হায়রি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা সিআরপিএফ অমসুং ষ্টেট পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওখি। থৌদোক থোকফম অদুদা সিআরপিএফকী অহেনবা পার্সনলশিং চঙশিন্দুনা থিবা হুন্নগী থবকসু পাঙথোকখি হায়রি।

পনবা য়াই, দেন্টেৱারাদা নক্সলগী মায়কৈদগী এটেক চথরকখিবগী থৌদোক কয়া মায়োক্লখ্রবনি। লুপ অসিনা মীচম অমদি পোলিটিসিয়ানশিংদা মীখলগী মাংওইননা এটেক কয়া চথখি।

চহী অসিগী ওইনা উট্টরখন্দগী অতোপ্পা টাউন বাষ্টরদা নক্সলগী ইরাং য়াম্না লৈবা মরম্না সিক্যুরিটি পার্সনল লিশিং ৮০ লৈহনখি। বাষ্টরদা অহানবা ফেজগী মীখল এপ্রিল ১১দা পাঙথোক্কদৌরি। অদুগা দেন্টেৱারাদা থা অসিগী ১৮দা অনীশুবা ফেজগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবনি।

সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংগী অতোপ্পা পাউ অমদা মাওইষ্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নবগী থবক মখা তানা চথখি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা পার্সনলশিং অমদি বিজেপিগী এমএলএ ভিমা মন্দাবিদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনসু দেন্টেৱারাগী থৌদোক অদু য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি হায়খি। মহাক্না লৈখিদ্রবা এমএমলএ ভিমাগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা তাইবঙ শেম্বা মপুনা লৈহৌরিবা ইমুংগী মীওইশিং অদুদা পাঙ্গল পীবিনবা নীখি।

পনবা য়াবদি, দেন্টেৱারাগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অবিসেক পল্লপনা ফোঙদোকখিবদা পুলিসকী মায়কৈদগী এমএলএ অদুবু মফম অদুদা চৎতনবা পাউতাক পীবা লৈখি। মমাঙদা সিআরপিএফকী ইন্সপেক্টর জেনরল ওইরম্বা হৌজিক্কা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরিবা নেথনিয়লনা ফোঙদোকখিবদা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা চেকশিন থৌরাংগী থবক হেনগৎনবা হায়খি। মরমদি নক্সলশিং অদুনা সিক্যুরিটিগী অচিবা তাঞ্জাদা মখা তানা এটেক চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়খি।

# ইন্দিয়াগী ইকনমিবু মালেমগী ৩শুবা থাক ফাওবা পুখৎপা বিজেপিগী রিজোলুসননি ঃ পি এম মোদি



মৈসুরু, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ

করনাটাকাগী মৈসুরুদা ঙসি পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াবু মালেমগী মকোক থোংবা ইকনমি ৩ ফাওবগী মনুংদা পুখৎপা হায়বসি বিজেপিগী রিজোলুসননি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

চাওখৎপগী থবক থৌরমশিংবু মাংলোমদা খোঞ্জেল য়াংনা চঙশিনবগী তঙাইফদবা অদু ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মীয়ামদা অনৌবা অমদি হেন্না অফবা তুংগী পুন্সিরোল অমা শেম্নবা বিজেপিদা ভোট পীবিয়ু হায়খি।

কুমজা ২০৩০দা ইন্দিয়াবু মালেমগী মকোক থোংবা ইকনমি ৩গী মনুংদা অমা ওইহনবা হায়বসি বিজেপিগী লেঙদ্রবা রিজোলুসননি হায়খি। অতোপ্পা রিজোলুসনশিংগী মনুংদা অনৌবা ইন্দিয়া অমা ওইননবা অনৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়াসু শেমগৎকদৌরি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহী ৫ অসিদা বিজেপি লৈঙাক্লা হৌজিক লৈরিবা থবক শীজিন্নবা য়ারিবা এয়রপোর্টশিং অসিদগী চাদা ১০০ মশিং হেনগৎহনগনি হায়বগী রিজোলুসন অমসু লৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ঙসিগী রেল্লি অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মায়কৈদগী হৌখিবা চহী ৫ অসিদা এনদিএ লৈঙাক্কী অশোইবা অমসুং অহোবা মফমশিং অদু থিদোক্লবা কন্না হোৎনরি। অদুবু বিজেপিদি তুংগী মীরোলশিংদা কান্নবা ফঙগদবা অফবা থবক কয়া পায়খৎখি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা মহাকপু ওফিসতগী লৌথোক্লবা কয়ারক হন্না শীনখি। হায়রিবা ওপোজিসন পার্টি অসি থাজবা য়াবা অমত্তা য়াওদে। মখোয়দা ভিজন ৱাৎপা মরম্না লৈবাক অসিগী তুংদা ওইরক্কদবা লাইবক অদু শীন্নবদা অরেম্বা তাগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হন্দক্কী মীখলগী মতম অসিদা লৈবাক শীনবা থুংনা বিজেপিগী ভোট খোম্নগী থবক অদুগী মপুং ওইনা মাংজিল থাদুনা লৈরি। মরু ওইনা মহাক্না করনাটকাদা লৈবা ওপোজিসন পার্টিশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙশিল্লি। ষ্টেট অদুদা চীফ মিনিষ্টর ঐচ কুমারাস্বামীনা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংলদুনা মীয়ামদা বিজেপিবু থাজরুনু ভোট পীগনু হায়না শন্দাক্লি। মরু ওইনা বিজেপি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা শীরিবা মরাল অদু য়ুম্ফম য়াওদবা পংহাইদা হায়জিনবা ঙাক্তনি হায়খি।

লৈবাক শীনবা থুংনা ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজ অদু থা অসিগী ১১দা পাঙথোক্কদৌরি। অদুবু করনাটকাগী ওইনা এপ্রিল ১৮দা ভোট থাদনগনি। অদুগা অতোপ্পা লেমহৌরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুনা এপ্রিল ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩শুবা ফেজদা ভোট থাদনগদৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা মহারাষ্ট্রগী লটুরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা কোংগ্রেসপু মরাল শীরদুনা পার্টি অদুনা পাকিস্তান লৈবাক শেমখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি কোংগ্রেসকী লুচিংববু কুমজা ১৯৪৭দা চুংশিন্নবা ৱাৎপদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান হায়না লৈবাক অনী থোকখিবাঅদু থিংবা ঙমখিদবনি। কোংগ্রেসকী লুচিং মখাদা পাঙ্গল লৈরম্লবদি পাকিস্তান হায়বা লৈবাক অসি লৈরম্লোইদবনি। মহাক্না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিবু হুল্লদুনা গান্ধি দাইনেষ্টিগী পোলিসিদা তুং ইন্দুনা লৈরি। বিজেপিদি লৈবাক অসি মপাঙ্গল লৈনবা মীয়ামদগী ভোট নীরিবনি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরগী টেররিষ্ট এটেকতা আরএসএসকী লুচিংবা চন্দ্রকান্ত লৈখিদ্রে




কিসৱার, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কিসৱার টাউন্দা লৈবা হেল্থ সেন্টর অমদা ঙসি টেররিষ্ট অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা আরএসএসকী লুচিংবা চন্দ্রকান্ত শর্ম্মা অমসুং মহাক্কী পার্সনল সিক্যুরিটি ওফিসর হাৎখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা টেররিষ্ট অদুনা কিসৱার টাউনগী হেল্থ সেন্টর অদুদা চঙশিল্লক্লগা চন্দ্রকান্ত শর্ম্ম অমসুং মহাক্কী পিএসও রজিন্দরদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। রজিন্দর মফম অদুমক্তদা শীখি। অদুগা চন্দ্রকান্ত শর্ম্মা জম্মু মেদিকেল কজেল হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং হোস্পিটাল অদুদা লায়কন্নবা ঙমদনা শীখি।

টেররিষ্ট অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লম্লবা মতুং থৌদোক থোকফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়রি। মহাক্না চেনখিবা মতমদা পিএসও রজিন্দরগী নোংমৈ অদুসু পুদুনা চেনখি হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসর মনিস সিনহনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুং মফম অদুদা লৈঙাক অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়োক্তা ইহৌ হৌরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। মদুগী মখা তারকপদা মফম অদুদা ইন্টর্নেট সার্ভিসশিং থিংখিবগা লোয়ননা কার্ফ্যুসু থমখি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী লুচিংবা মেহবুবা মুফতি অমসুং ওমর অব্দুলানা থৌদোক অদুগী মতাংদা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেল অমা লৈনবা অপিল তৌখি।

আরএসএসকী জেনরল সেক্রেটরি মনমোহন বৈদ্যনা ফোঙদোরকপদা চন্দ্রকান্ত লৈখিদবা অসি মেনবা য়াররোইদবা মাংজবা অমনি হায়খি। মহাক টেররিজমগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লম্বা মতিং লৈবা লুচিংবা অমনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসি টেররিষ্টনা কিসৱার টাউন্দা চথখিবা এটেক অদু হৌখিবা থা ৬ অসিদা অনীরক শুবনি। মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী বিজেপি ষ্টেট য়ুনিটকী সেক্রেটরী অনিল পরিহর অমসুং মহাক্কী মনাও অজিৎ পরিহর দুকান্দগী হল্লকপদা টেররিষ্টনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

# লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজগী ভোট খোম্বা লোইশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ

১৭শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজগী ভোট খোম্নগী থবক ঙসি লোইশিনখ্রে। অহানবা ফেজগী ওইনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ২০দা লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯১দা ঙসি নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদগী ভোট খোম্নগী থবক লোইশিনখিবনি।

শগোলশেন নুমিৎতা অহানবা ফেজগী ভোট থাদবা হৌগদৌরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিং অদুদি উটর প্রদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, বিহার, ছটিসগর, জম্মু এন্দ কাস্মির, মহারাষ্ট্র, মণিপুর, মেঘলয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ওরিষা, সিকিম, টেলঙ্গনা, ট্রিপুরা, উটরখন্দ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দস অমসুং লক্ষদ্বিপনি।

অহানবা ফেজগী ওইনা ষ্টেট ১০ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি পুম্নমক মীখল পাঙথোক্কদৌরি। মদুগী মনুংদা অন্ধ্র প্রদেশকী সিট ২৫, টেলঙ্গনাগী ১৭, উটরখন্দগী ৫; অরুনাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাস্মির অমদি মেঘলয়াগী সিট ২/২, ছটিসগর, মিজোরাম, মণিপুর, নাগালেন্দ, সিকিম, ট্রিপুরা, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ অমদি লক্ষদ্বিপতা সিট অমমমগী মীখল পাঙথোক্কদৌরি।

অহনাবা ফেজ অসিদা উটর প্রদেশকী সিট ৮০ লৈবগী মনুংদা সিট ৮ মীখল য়াওগনি। বিহারগী সিট ৪০ লৈবদা ৪ মীখল য়াওগনি অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গালগী সিট ৪২ লৈবদা সিট ২গী মীখল পাঙথোক্কদৌরি।

# ছটিসগরদা লুপা ক্রোর ৫ রোমগী শেল অমসুং য়ু মীখলগী মাংওইননা ফাগৎখ্রে

রাইপুর, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ

১৭শুবা লোক সভা মীখলগী মাংওইননা ছটিসগর ষ্টেটতা লুপা ক্রোর ৫ রোমগী ওইনগদবা শেল, য়ু অমসুং অতোপ্পা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মার্চ ১০দা ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরকখ্রবা মতুং এক্সাইজ, পুলিস অমসুং ইনকম টেক্স ওফিসলশিংনা য়ু, শেল অমসুং অতোপ্পা পোৎলম কয়া ভোট খোম্বদা শীজিন্নৱা হায়না কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাকপনি। মদুদা চাওরাক্না লুপা ক্রোর ৫ রোম ওইগদবা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না রাইপুরগী ইলেক্সন ওফিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখি।

ওফিসল অসিনা মখা তারদুনা ষ্টেট অদুগী বেমেটারা দিষ্ট্রিক্টতা গাড়ি খরদগী শেল ওইনা লুপা লাক্ষ কয়া ওইগদবা ফাগৎপা ঙমখি। লোয়ননা রাইপুর দিষ্ট্রিক্টতগীনা সনা-লুপা অমদি অতোপ্পা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

এপ্রিল ৬ ফাওবদা একাউন্ট য়াওদবা শেল, য়ু অমসুং অতোপ্পা পোৎলমশিং ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎলকপদা লুপা ৫,০৭,৯৭,২৬৯ রোম ওইগদবা পোৎলম ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না ওফিসল অসিনা মখা তাখি। মসিদা শেল ওইনা লুপা ৪,৩৪,১৯,২০৫ অদুগা লুপা ৮,৩১,৮৬৮ ওইগদবা য়ু লিটর ৪,৬৫১ ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

# ইরানদগী থাও লৌবা মে থা ফাওবা য়াখিরোইদৌরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী রিফাইনরশিংনা ইরানদগী থাও লৈবগী মতম মে থা ফাওবা ঙাইবা তারি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙথাং অসি য়ুএসএনা ওপিইসি (ওর্গনাইজেসন ওফ দি পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কন্ট্রিজ) মেম্বরশিংগী মথক্তা থল্লিবা সেঙ্কসন অদু লৌথোকপগী মতম শাংবনা ওইরক্লিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা য়ুএসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কুমজা ২০১৫গী ইরান ন্যুক্লিয়র দিল ৱিদ্রো তৌদুনা লৈবাক অদুগী মথক্তা ইকোনোমি সেঙ্কসন থমখিবনি। মরক অসিদা য়ুএসএনা ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক ৮দা মে থাগী অঙনবা শরুক্তা ইরানদগী থাও ইমপোর্ট তৌবা য়াবগী মতম থা ৬ পীখি।

চাইনাগী মথংদা ইন্দিয়ানা ইরানগী থাও খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক্লি। থা অমদা ইন্দিয়ানা বেরেল বিল্লিয়ন ৯ লৈবা য়াগদৌরি। মরক অসিদা ইন্দিয়ানা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ৭তগীনা ১০নি ফাওবগী মনুংদা থা ৬কী মতম অমা য়ুএসএনা পীরিবা অদু শাংদোকপা য়াবগী অমদি থাওগী চাং হেনগৎপা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না ছোর্স অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসি সেন্সিটিব ওইবা মরম্না ছোর্সশিং অসিনা মমিং পীদ্রবসু অতোপ্পা ছোর্স অমদা ফোঙদোরকপদা য়ুএসএনা করি খল্লিবনো হায়বা খঙদ্রি। মরম অদুনা মখোয়না ইন্দিয়াগী থাও লৈবা য়াহনবা অমসুং য়াহন্দবা অদু লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা খঙবা ঙমগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক য়ুএসনা পীরিবা থা ৬কী মতম অসিদা ইরানদগী নোংমদা বেরেল লাক্ষ ৩ লৈবা য়াগনি। হায়রিবা চাং অসি ইরানদা সেঙ্কসন থমদ্রিঙৈ মমাঙদা লৈখিবা থাওগী চাং অদুগী তঙ্খাই খক্তনি।

ইন্দিয়ানদি হায়রিবা চাং অসিদা ইনিদয়ানা লৌবা পামদে। সেঙ্কসন লৈত্রিঙৈদা লৌরম্বা চাং অদু পাম্লিবনি। মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদগী লৈঙাক্লা চল্লাইবা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন, ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন, হিন্দুষ্টান পেট্রোলিয়ম অমসুং মেঙ্গলোর রিফাইনরি এন্দ পেট্রোকেমিকেলসনা থাও লৈদুনা লাকপনি।

ইরানদা লৈবা য়ুএসকী স্পেসল ইনভোইৱাইন হুক্না ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী মার্চ থাদা য়ুএসনা লৌখৎলক্লিবা লালোং অসি ইরাননা শুংদোক্ত্রিবা থাও মীরমদা য়োনবগী চাং অদু জেরোদা লৈহনবনি। হৌখিবা চয়োলদা ইরানদগী থাও লৈবা লৈবাক ৮গী মনুংদা অহুমদি লৈবা শুকয়া য়াহনখিদবনি।

আইআরজিসি (ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোর্পোরেসন)গী মথক্তা য়ুএসনা সেঙ্কসন থমখিবা অসিনা মরম ওইরগা ইরানগী থাওশিং অসি অতোপ্পা লৈবাক্তা থাদোকপা ঙমদনা লাক্লিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ট্রম্পনা আইআরজিসিবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোকখিবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

*Ref:- Mutation Case No.202/SDC/Bishnupur, 2019*

1. Irengbam Balahari Singh S/o (Late) I Gandhar Singh of Kwashiphai Mamang Leikai.
2. -do- Itomcha Singh S/o -do- of -do- -Petitioner

-Vs-

Irengbam Gandhar Singh S/o (L) I. Thambou Singh of Kwashiphai Mamang Leikai. -O.P

NOTICE

Bishnupur, the 08-04-2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Irengbam Gandhar Singh S/o (L) I. Thambou Singh of Kwashiphai Mamang Leikai দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৪০/১৯ (অরিবা), - (অনৌবা), সী এস দাগ নং ২৯৬ অমসুং ১০২৭কী ১·২২ অমসুং ৩·৯৭ চাউবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/3952/10 **Sd/- Sub-Deputy Collector : Bishnupur**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

*Ref:- Mutation Case No.203/SDC/Bishnupur, 2019*

1. Irengbam Balahari Singh S/o (Late) I Gandhar Singh of Kwashiphai Mamang Leikai. -Petitioner

-Vs-

Irengbam Gandhar Singh S/o (L) I. Thambou Singh of Kwashiphai Mamang Leikai. -O.P

NOTICE

Bishnupur, the 08-04-2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Irengbam Gandhar Singh S/o (L) I. Thambou Singh of Kwashiphai Mamang Leikai দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৪০/৮২(অরিবা), - (অনৌবা), সী এস দাগ নং ৩৬৭কী ১·৪৬ চাউবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/3952/10 **Sd/- Sub-Deputy Collector : Bishnupur**

/ থবক্কী পাউ

মশাগী চহী ৫৫ শুদ্রিবা য়ুমগী থবক ইনখাং শূনবা নুপী খরা কৌজরি। হঙ্গৎ-হন্দা অমদি লৈবগী খুদোংচাবা পীগনি। অদুগা নুপাশিংগীসু সেক্যুরিটি গার্দ, কুক, ড্রাইভর, চৌকিদার, মাল্লিনচিংবা কৌজরি। থাগী তোলোপ মতিক চানা পীগনি অমদি পেন্সন লৈগনি।

*Please Contact : 7638926139/7085943203*
**Smart Security Service (SSS)**
**Tera Bazar Opposite Indian Oil Pump**
HL-P/3957/10,11

BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Saving Account Passbook issued by State Bank of India, Canchipur Branch bearing Account No. 30051304960 on 5 April, 2019 on the way between Canchipur and Soibam Leikai, Imphal East.

Finders are requested to handover the passbook to the undersigned.

**Sd/- Romeo Ngasepam**
**Soibam Leikai Meri Leirak, Imphal East**
**# 8837213047**
HL-P/3958/10 April

EMPLOYMENT NEWS/থবক্কী পাউ

1. 2 Boarding Nurse & 2 Chowkidar Couple (Rs. 8,000-Rs.12,000)
2. 2 Boarding Cooks (Rs. 7,000-10,000) and 2 Boarding Securities (Rs. 5,500-Rs.8,000)
3. 1 Male Asst. Teacher with family (Quarter Facilities) B.A./B.Sc. (Salary-Negotiable)
4. 1 Music Composer having the experience of matering (Salary-Negotiable)

HL-P/6134/10 *Contact : 7629023731/7085178130*

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CLASS-XI & XII FOUNDATION COURSE 2019
Special concessions for COMET School students for foundation Course.
FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road Imphal
HL-B/5319/4,6,8,10,12

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
MEDICAL CRASH COURSE -2019
Starting of Class : 1st April, 2019
CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE-2019
Starting of Class : 15th April, 2019
Special feature
1. Supply of study material for Class XII and NEET.
2. Weekly test strictly in NEET pattern for Medical Crash Course.
3. Limited seat only.
Managing Director
We nourish your future
HL-B/5317/4-20(alt)